**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-10-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য সরকারনা আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীওইশিং থিংনবা অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে। য়ুম্লোন্নরিবা রাজ্যশিংদসু আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিং থিদোকপগী থবক চত্থরি।

সোসেল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মাও গেট অমসুং জিরিবামদা সরকারনা অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎতুনা আইন কায়না চংশিল্লকপা থিংলি। আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মহৌশাগী পুন্সি অমসুং সিক্যুরিটিদা চাওনা অকাইবা পীরি। রাজ্য অসিগী মীয়ামা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা চিংনবা মীওইশিং থেংনবদা পাউ পীবিরকবা মুখ্য মন্ত্রিনা মীয়ামদা আপিল তৌরি। ঐখোয় পুমমকা রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংবু ঙাকবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌনবসু হায়রি।

**সরট পৱর(এল)ঃ** নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিগী লূচিংবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি সরট পৱরনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পুনেদা মণিপুরগী পাউমীশিংগা উনবা অমদা শ্রী সরট পৱরনা হায়-মণিপুরদা অথুবা মতমদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইরাং লাকশিন্নবা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিল্লগনি। রাজ্য অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। মীওই লিশিং কয়ানা ময়ুম থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈনরি। মসি য়ামা লাইবক থিবা অমনি। শ্রী পৱরনা হায়-থা ১৭ হেল্লবা ইরাং অসিবু অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা হিংশাগী থবকশিং থোকহন্দনবসু আপিল তৌরি।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা শকাইরবা মীওই কয়ানা মণিপুরগী পাউমীশিংগা হকথেংননা ডনদুনা রাজ্য অসিদা ওইরিবা চরাংনবা অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং খন্নখি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চিংখাম চিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা এস.এম.জি. করবাইন অমা, এস.এস.বি.এল. অমা, থারতি টু পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, দিটোনেটর অহুম, পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং, নোংমৈ মরুশিং অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

**ৱাইল্ডলাইফ(এল)ঃ** ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগা মরি লৈননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সাইকল অমদি বাইক রেল্লি, উ-ৱা থাবা অমদি পেনেল দিস্কসন্নাচিংবা থৌরম কয়া ঙরাং পাঙথোকখি। ইম্ফালগী খোংহাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট ওর্কিদেরিয়মদা মহৈরোইশিংগী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

নোনে জিলাদসু গাইদিমজাংদগী প্বাংপুংবুট ফাওবা মহৈরোইশিংগী খোংচৎ চৎখি। কামজোং জিলাদসু ফোরেষ্ট দিবিজন ওফিস কমপ্লেক্সতা মহৈরোইশিংগী নেচর ৱার্ক পাঙথোকখি। চুরাচান্দপুরদসু মার অমসুং থাদৌ লোন্দা উমং কন্নবা অমসুং শা উচেক য়োকখৎনবগী মতাংদা রেদিও তোল্ক পাঙথোকখি। ককচিং জিলাদসু ককচিং বজারদগী ককচিং রেঞ্জ ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা এম.এল.এ রামেস্বরনা লমথাখি।

ইরোইশেম্বগী জদ্‌সু মহৈরোই অমদি জ্‌ য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা মফম অদুগী অকোইবদা উ-চারা কয়া থাখি।

অমরোমদা, ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালনগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা মনিপুর ফোরেষ্ট ট্রেন্নিং স্কুলদগী ইরোইশেম্বদা লৈবা মনিপুর জ্লোজিকেল গার্দেন ফাওবগী সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি।

**কেবিনেট ঃ** কেন্দ্রগী কেবিনেটনা ভারতকী লোন ৫, পালি, প্রক্রিট, অসামিজ, বেঙ্গলি অমসুং মরাথিবু ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুএজ ওইনবা অয়াবা পাখ্রে। ভারতিয়া ভাসা সমিটিগী চিয়ারমেন্ট চমু কৃষ্ণ সাষ্ট্রিনা অকাশবানি পাউমীদা হায়-সরকারগী ৱারেপ অসি ইতিহাসিক ওইবা ৱারেপনি। ৱারেপ অসিনা ক্লাসিকেল লিটরেচর অসি নহাশিংদা খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**ভিজিতঃ** মালদিভকী রাষ্ট্রপটি ডোক্তর মোহম্মদ ম্যুইজ্ নুমিৎ ৫ গী খোঙচৎতা ঙসি ভারত্তা থুংলগনি। খোংচৎ অসিদা ডোক্তর মোহম্মদ ম্যুইজ্না লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উনগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগসু উনদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফমশিং অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-ডোক্তর মোহম্মদ ম্যুইজ্না মহাকা ভারত্তা লৈরিঙৈ মনুংদা বেঙ্গলুরু অমসুং মুম্বাইদা চত্তুনা ললোন ইতিক্কী ওইবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি।

নিংশিংবা য়াই, মালদিপকী রাষ্ট্রপতি চহী অসিগী জ্ন থাদা পাঙথোকপা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি মন্দোলগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদসু ৱাশক লৌখি।

**সো ঃ** ইন্দিয়ন ইয়র ফোর্সনা চেন্নাইগী মেরিনা বিচতা মেগা ইয়র সো অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি ৯২শুবা চহীগী ওইবা ইয়র ফোর্স নুমিৎকা মরি

লৈননা পাঙথোক্কদবনি। এরোবেতিক সো অসিদা এয়ারক্রাফ ৭২না মীওই লাখ ১৫রোমগী পুকিং চিংশিন্দুনা লিমকা রেকোর্ট বুক্তা চন্নবা আশা তৌরি। সো অসিদা তেজাজ, মিরাজ, সুখোয় ৩০এম.কে.ৱান, জাগোর অমসুং পোজেদোন ইয়র ক্রাফনচিংবা ফাইতর জেটশিং য়াওরি। ভারতকী খ্বাইদগী নৌবা প্রচান হেল্লিকোপ্তরসু সো অসিদা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনবা য়াওগদৌরি। থৌরম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌরগা পুং ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**ফ্লডঃ** বিহারদা নৌনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লকপগা লোয়ননা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লি।

দরভঙ্গা, ইষ্ট চম্পারন, খাগারিয়া অমসুং মুজাফরপুর জিলাদা নৌনা ঈশিং থুমজিল্লক্লি। বাগমতি, কমলাবলন অমসুং অদৱারা তুরেলশিংগী ইমায় পাথোক্তুনা খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। জিলা ১৮ গী মীওই লাখ ১৬ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। অমরোমদা, সুপোল, সিতামারহি অমসুং ৱেষ্ট চম্পারন জিলাদা ঈশিংগী ইমায় হন্থরক্তুনা মীয়াম খরমখৈ শাফরে হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি-নিতিস কুমারনা ঙরাং দরভঙ্গাদা চৎতুনা মফম অদুদা চত্থরিবা তেংবাং পীবা, তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পীবগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখি। মহাকা দরভঙ্গাদা লৈবা মীয়ামদা পীগদবা চিঞ্জাক্কী পেকেড শেম্ফমসু য়েংশিনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইমারি ওজা খনবগী মেরিট লিষ্ট শেমদোকবা সুপ্রিম কোর্টনা গভরমেন্টতা খঙহনখি, মীতৈবু এস.টি. লিষ্টতা চলহন্নবা এম.এম.টি.য়ুনা চংশিনবা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং অমসুং উখ্রুলগী থৌদোক্তা পুলিসতগী লৌখিবা খুৎলায় চাদা ৮০ লৌখৎলেহায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা

মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সুপ্রিম কোর্টনা প্রাইমারি ওজা লৌবগী ফল অমুক হন্না হায়দোকবা মনিপুর লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তোরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস,সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ পাউ চেশিংদসু অহানবা লৈমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

উখ্রুলগী পি.এসতগী লাকখিবা নোংমৈ ২০গী মনুংদা ১৬ ফাগৎপা ঙমখ্রে। খুল অনিগী মরক্তা ৱারি শান্নদুনা শংতাইননবা কন্না হোৎনরি হায়বা আই.জি.পি.আই.কে মুইভানা ফোঙদোরকপা ৱাফমনা সনালৈবাক্তা অহানবা হেদ লাইনা তৌরি।

পি এমনা কিসান সমান নিধিগী ১৮শুবা ইন্সটোলমেন্ট থাদোকখিবসিনা লৌমী ক্রোর ৯.৪দা কান্নবা পীরগনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোলনা মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদ লাইন তৌরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংগী দ্রোন বোম্বিং-তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোংদোকবা মরক্তা এন.আই.এনা কন্না থিজিল্লি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদ লাইন তৌরি।

কুকি জোশিংবু এস টি লিষ্টতগী লৌথোকবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইঙলিজ অমসুং পোকফম পাউ চেদা অহানবা হেদ লাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদ লাইন তৌদুনা পাউ চে অয়াম্বদা অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

মশা শিজদুনা খোঙজং চংশিনগনি লাউথোকখিবা মালেম থোঙাম পুলিসনা ফাজিনখ্রে। য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নুপী চা কয়ানা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদ লাইন তৌরি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা ককচিং জিলাদগী খূৎশু খূৎলাই ফাগৎপগী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

আরমি চীফ দ্বিবেদিগী ৱাফমনা মণিুপরগী ইরাং অসি ফুরুপ অনি মুকবা খক নত্তে, মনুংদা ময়াম লৈরি হায়বদু তাক্লে হায়বা এম.পি ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নেসনেললিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লূচিংবা অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সরট পৱরনা মণিপুরদা শান্তি পুরকবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি হায়না মণিপুরগী মেলগী অহানবা লমাইদা হেদ লাইন তৌরি।